## পুলিস ১, ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট ৩ শিরে

টুনিস, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি) :
অলজেরিয়াগী বোর্দর মনাক্তা লৈবা মনুং হঞ্জিনবা এরিয়া অমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চথুখিবা সিক্যুরিটি ওপরেসন অমদা টুনিজিয়াগী পুলিসমেন ১ অমসুং ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট ৩ শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। অরাব লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী সেক্যুলর ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়রিবা টুনিজিয়া অসি কুমজা ২০১১ দা ওটোক্রেট ঝিনে অবিদিন বে অলিগী মায়োক্তা অচৌবা ইহৌ অমা হৌদুনা দেমোক্রেটিক ওইবা অহোংবা অমা লাকখিবা মতুংদা মিলিটেন্টশিংগী টার্গেট ওইরকখিবনি।

## দ্রোনশিং দিপ্লোই তৌনবা খন্নরি

লন্দন, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি) :
ইরানগা উংখৎনবা লৈরিঙৈ চৈরক্তা গল্ফতা বৃটিশ দ্রোনশিং দিপ্লোই তৌনবা য়ুনাইটেদ কিংদম্না খন্নরি হায়না স্কাই ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে। মনাকনকপা কুয়েটতা য়ু কেগী দ্রোনশিংগী বেজ লৈরিবনি।

# ইদলিবকী সীজফয়ার মতম খরগীনি : সিরিয়ন ওফিসল



দমাস্কস, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি) :
হন্দক্তা সিরিয়ন আর্মিনা অৱাং নোংচুপ থংবা ইদলিব প্রোভিন্সতা লৈবা রেবেলশিংগী মরু ওইবা অরোইবা ষ্ট্রোংহোল্ডদা সীজফয়ার লাউথোকখিবদু মতম খরগীনি হায়না সিরিয়াগী প্রসিদেন্সিএল এদভাইজর বুতাইনা সভাননা ফোঙদোকখ্রে।

লোকেল মিদিয়া আউলেটশিংনা সভাননা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, ইদিলিবতা থাংজ নুমিত্তগী চৎনবা হৌখিবা সীজফয়ার রসিয়া অমসুং সিরিয়ানা অতৈ পার্টিশিং য়াওদনা নাইতোম ওইনা লৌখিবা ৱারেপ অমনি অমসুং মদু অতৈ অন্দরষ্টেন্দিংশিংগী মনুং চনদে। ইদলিবকী মফম খরদা চঙশিলকখিবা টর্কিস আর্মি নমদুনা সিরিয়া থাদোকহনগনি হায়নসু প্রসিদেন্সিএল এদভাইজরনা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিত্তা সিরিয়ন আর্মিনা লৈবাক অদুগী অরোইবা মরু ওইবা রেবেল ষ্ট্রোংহোল্ড ওইরিবা ইদলিবতা সীজফয়ার চৎনহন্নবগী ৱাফমদা য়াখিবনি। ইদলিবতা লৈবা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা রেবেল গ্রুপ ওইরিবা হয়াট তাহরির অল-সাম (ঐচ টি এস)কী য়াওলেন শরুনি হায়নরিবা অল-কাইদাগা মরী লৈনবা নুশ্রা ফ্রন্টনা চত্থরকপা ভাইওলেসনগী থৌওং খুদিংমক্কী মতাংদা খুৎ হনবগী রাইট ঐখোয়দা লৈ হায়না সিরিয়ন আর্মিনা ফোঙদোকখি।

সিরিয়ন ওথোরিটিশিংনা ওফিসল ওইনা সীজফয়ার অদু লাউথোক্লিঙৈগী মাঙওইননা রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লমদম অদুদা সীজফয়ার লাউথোকপগা লোয়ননা মদু ইদলিবতা তং তাবা ফিভম লাকহন্নবগী নাকল অমগী ওইবা খোঙথাংনি হায়খি অমসুং রেবেলশিংদা কায়হৌবগী থৌওংশিং থাদোক্নুনা পিছ প্রোসেসতা য়াওশিন্নবা আপিল তৌখি।

সীজফয়ার অদু থা অসিদা ইদলিবতা অনীশুবা ওইনা লাউথোকখিবনি। মমাংদা ওগষ্ট ১ দা রসিয়া অমসুং টর্কিনা লাউথোকখিবা সীজফয়ার অমা য়াম্না থুনা ফেল ওইখি। মতমদুদগী নাকল অনীগী মরক্তা কনখৎলকখি অমসুং সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা ইদলিবকী খুঙ্গংগী লমগী মনুং চনবা মরু ওইবা মফম কয়া অমদি থংনবা হমা প্রোভিন্সকী ৱাফম কয়া খুদম চনবা ঙমখি।

বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা থাংজ ফাওবদা ইদলিবতা সীজফয়ারগী ফিভম লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

# য়েৎনরিবা ঈথৎশিং ঙাক-শেনবদা মতেং পাংনবা জপান্না স্পেসল পুলিস য়ুনিট লিংলগনি




টোকিয়ো, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি) :
জপান্না ওটোমেটিক খুৎলায়শিং শীজিন্নবা স্পেসল পুলিস য়ুনিট অমা লিংদুনা চাইনাগা য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সীগী ঈথৎ গ্রুপ অমসুং অতৈ লাপ্পা লৈবা ঈথৎ কয়া ঙাক শেনবগী থবক কনখৎনবগী থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিস য়ুনিট অদু য়েৎনরিবা ঈথৎশিং অদুদগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৪২০ লোম লাপ্পা লৈবা জপানগী খা থংবা ঈথৎ ওকিনৱাদা বেজ তৌগনি। জপান্না কন্ট্রোল তৌরিবা য়েৎনরিবা ঈথৎ মচাশিং অদু লৈবাক অসিনা সেনকাকু হায়না মমিং থোল্লি অমসুং চাইনানা দিয়াওয়ু হায়না মমিং থোল্লি।

জপানগী মিলিটরি অমসুং কোষ্ট গার্দনা য়েৎনরিবা ঈথৎশিং অদুগী অকোয়বদা ঙাকশেনগী থবকশিং হান্নদগী হেন্না কনখৎহনখ্রবসু মখোয়বু ঙাক শেন্নবগী লমদম অদুদা পুলিস য়ুনিট অমা হাংবদি হন্দক্কীসিনা অহানবনি হায়না এন ঐচ কেনা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা নেসনল পুলিস একাদেমিগী কমেন্ট খুদক্কী ওইনা লৌবা ঙমখিদে। জপান অমসুং চাইনাগী মরীদা ঈথৎ খরগী য়েৎনবনা অকায়বা পীদুনা লাকখিবনি।

# য়ু এস অমসুং অসিঅন লৈবাকশিংগী ওইবা অহানবা জোইন্ট নেভেল দ্রিলস সাউথইষ্ট এসিয়াদা হৌখ্রে



বেঙ্কোক, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি) :
য়ু এস নেভি অমসুং এসোসিএসন ওফ সাউথইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন)গী মেম্বরশিংগী মরিটাইম ফোর্সশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাউথইষ্ট এসিয়াদা মখোয়গী অহানবা জোইন্ট এক্সর্সাইজশিং হৌখ্রে।

জোইন্ট নেভেল দ্রিলশিংদু লানগী জহাজ শিংনা য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সী ফাওনা চত্তুনা পাঙথোক্কনি হায়রি। য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না থাইলেন্দগী নেভেল বেজ সতাহিপতা হৌখিবা এক্সরসাইজশিং অদুদা য়ু এসকী মায়কৈদগী ৱারশিপ ৮, এম ঐচ ৬০ হেলিকোপ্টর ৩ অমসুং পি-৮ পোসিদোন এয়রক্রাফট অমা অমসুং লান্মী ১০০০ হেনবনা শরুক য়ারি অদুগা অসিঅনগী লৈবাক ১০ না মদুদা শরুক য়ারি। জোইন্ট দ্রিল অদু থাংজ নুমিৎ ফাওবা চথুগনি অমসুং গল্ফ ওফ থাইলেন্দ অমসুং সাউথ চাইনা সীগী মফম খরা ফাওরগা সিঙ্গাপোরদা লোইশিনগনি হায়না ইফে ন্যুজগী রিপোর্টনা হায়রি।

য়ু এস নেভিনা মমাংদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক খরগা জোইন্ট এক্সরসাইজ শিং পাঙথোকমিন্নবা লৈখ্রে। তৌইগুন্বসুং এসিয়াগী লমদম অসিগী লৈবাক পুন্নমক্না য়ু এসকা পাঙথোকপা জোইন্ট দ্রিলসতা শরুক য়াবসি হান্দক্কীসিনা অহানবনি। অসিঅন্না হৌখিবা চহীদা চাইনাগসু মান্নবা এক্সরসাইজশিং পাঙথোকখ্রবনি। হৌখিবা জুলাইদা চাইনাগী ওইল সর্ভে জহাজশিং খুৎলায় য়াওবা এস্কোর্টশিংগা লোয়ননা ভিয়েটনামগী ঈশিংগী শরুকশিংদা চঙশিল্লক্লে হায়না হানোইনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মতমদা মিলিটরি এক্সরসাইজশিং অদু পাঙথোক্লিবনি।

# য়ুরোপনা তৌফম থোকপা তৌদ্রবদি ন্যুক্লিয়র দিল ঙাক্তনবগী হেন্না কনবা খোঙথাং লৌখৎলগনি : ইরান



দুবাই, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি) :
য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা কুমজা ২০১৫ গী মালেমগী পৱারশিংগা খুৎয়েক পীনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল কন্ননবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎতবা তারবদি ইরান্না পেক্ট অদুগী মখাদা লৈবাক অসিনা ঙাক্কদবা ৱাফমশিং হন্থহন্নবগী হেন্না কনবা খোঙথাং অমা লৌখৎনবা শেম শারে হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইরান্না হায়খ্রে মদুদি, লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র এক্তিভিটিশিংদা দিল অদুনা থল্লিবা পনখৈশিং লৈবাক অসিনা মথং-মথং থুগায়দুনা পেক্ট অদুবু কনবা ঙমগনি হায়না থাজরিবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা প্রেসর হেন্না পীরগনি। টেহরান্না য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা দিল অদুবু কন্ননবা অথুবা মতমগী মনুংদা লৌখৎফম থোকপা লৌখৎলক্তবা তারবদি য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্টকী চাং চাদা ২০ য়ৌহনবনচিংবা য়াওনা সেপ্তেম্বর ৬তগী দিল অদুবু মখা তানা ঙাক্তনবগী অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎলগনি হায়না কিহনখ্রবনি।

ইরানগী পোলিটিকেল এফেয়রসকী দেপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর অব্বাস অরাগচি পেরিসতা চত্তুনা দিল অদুগী মতাংদা ফ্রান্সকী ওফিসলশিংগা থুনা ৱারী শান্নরগনি।

ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিগা ফ্রান্সকী মহাক্না লেংমান্নবা ঈম্মান্যুএল মেক্রোনগা টেলিফোন্দা ৱারী শান্নখিবা মতুংদা দিল অদুগী মতাংদা লৈরিবা লৈবাক অনীগী মীৎয়েংশিং হান্নদগী হেন্না নকশিন্নরক্লে হায়না ইরানিয়ন গভর্নমেন্টগী স্পোক্সমেন অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা চহীদা মহাক্কী লৈবাকপু কুমজা ২০১৫গী একোর্দতগী ৱিথদ্রো তৌখিবদগী ইরানগা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

# ইজরেলগী মশা ঙাকথোকচবা য়াবগী হক য়ু এসনা শৌগৎখ্রে



ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি) :
ইজরেলি-লেবানিজ বোর্দরদা উংখৎনবা হেনগৎলকপগী ফিভমদা য়ু এস গভর্নমেন্টনা নোংমাইজিং নুমিত্তা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা উংখৎনরিবা অদুদা ইজরেলবু অমুক হন্না শৌগৎখ্রে অমসুং লেবননগী ইরানগা মীচং ওইনবা হেজবোল্লাহদা লেবানিজ সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীগদবা এক্সন অমত্তা লৌখৎতনবা চেকশিনৱা হায়খ্রে।

ইজরেল অমসুং হেজবোল্লাহনা লেবননগী বোর্দর পরিংদা রোকেট অমসুং নোংমৈ কাপ্নখিবা মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা লেবননগী প্রাইম মিনিষ্টর সাদ অল হরিরিনা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ মাইক পোম্পিওনা উনখ্রে হায়না হরিরিগী ওফিসনা ফোঙদোকখি।

য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা দিপ্লোমেটিক দিস্কসন অদুগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং ফোঙদোকউ হায়খিদ্রবসু বোর্দরদা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবগী রিপোর্টশিং খঙলে অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইজরেলগী মশা ঙাকথোকচনবগী হক মপুং ফানা শৌগৎলি হায়খি।

বৈরুটকী খা থংবা চিদাইদা দ্রোন অনী কাপশিল্লকখিবগা লোয়ননা লেবনননা ইজরেলি আর্মি বেজ অমদা এন্টি-টেঙ্ক মিসাইলশিং কাপশিনখিবদগী হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইজরেল অমসুং লেবননগী মরক্তা অনৌবা লান অমা থোক্লক্লগদ্রা হায়বগী চিংনবা পোকহনখি। ইজরেলনা লাকপা য়াবা ফিভম খুদিংমক্কীদা শেম শারে হায়না ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেট্রয়াহুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখি। তৌইগুন্বসুং মহাক্না ইজরেলগী য়েক্লবশিং মায়োক্তা মমাংদা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নখিবগী থৌওংশিং অদুদি হন্দক্কী মতাং অসিদা উৎখিদে।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অদুনা হেজবোল্লাহনা লেবননগী সিক্যুরিটি, ষ্টেবিলিটি অমসুং সোভরেন্টিদা অকিবা পোকহনবা তাথিবগী থবক অমত্তা পায়খত্তনবা আপিল তৌখিবগা লোয়ননা ভাইওলেন্স অদুদা ইরানগী খুৎ য়াওই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

# দোরিয়ন্না মীশি-মীনা থোকহনবা লৈত্রি : বহামিয়ন ওফিসল



মাইয়ামি, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি) :
হরিকেন দোরিয়ন্না মীশি-মীনা থোকহনবগী পাউ অমত্তা ফংবা লৈতে হায়না বহমিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অর্কিপেলাগো অদুদা দোরিয়ন্না পুংদা কিলোমিটর ২৯৫ ফাওবা য়ৌবা খোঙজেনগী নুংশিৎশিং য়াওবা কেটগরি ৫ গী হরিকেন অমা ওইনা থুংলখি হায়না লৈবাক অদুগী টুরিজম মিনিষ্ট্রিগী দিরেক্টর-জেনরেলনা ফোঙদোকখি।

হরিকেন দোরিয়ন্না অকনবা শাফুগা লোয়ননা শীৎচিল্লকখিবা অসি কিনিংঙাই অমসুং মাঙ তাক্ন বগী মশক্লি হায়না ফোঙদোক্লদুনা টুরিজম মিনিষ্ট্রিগী দিরেক্টর-জেনরেল জয় জিব্রিলুনা হায়খি মদুদি, লন-থুম অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়াদা চাওনা অমাঙ-অতা থোক্লে অদুবু লাইবক ফবদগী মী শিবদি য়াওদ্রে।

কল্লবা নোংলৈ নুশিৎ অদু নুংমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট ৪০ রোম তাবদা এলবো কে অবাকোসতা শীৎচিল্লকখি অমসুং মদুগী মতুং মিনিট ৮০ রোম কান্নরগা গ্রেট অবাকো ঈথৎকী মার্স হর্বরগী মনাক্তা অকনবা শাফুগা লোয়ননা শীৎচিল্লকখি হায়রি। চৈরকসিদা নেসনল ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সি (এন ঈ এম এ)না বহামিয়নশিংদা প্রেয়র পাঙথোক্লবা আপিল তৌখি।

কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা শোকহল্লবা মফমশিং অদুগী মীওইশিংনা বহামিয়ন মিদিয়াদা দোরিয়নগী অকনবা নুংশিৎশিং অদুনা বিল্ডিং কয়াগী য়ুমথকশিং হুমদোকখ্রে,গাড়িশিং মথক মখা ওলহনখ্রে অমসুং পাৱর লাইনশিং মাঙ তাকহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা অবাকোস য়ৌরকখিবগা লোয়ননা বহামসকী প্রাইম মিনিষ্টর ডা. হুবর্ট মিনিসনা নুংশিৎ অদুনা অমাঙ-অতা চাওনা থোকহনবা য়ারিবা গ্রান্দ বহমা ঈথৎকী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মীয়ামদা মতম খরা লৈরিঙৈদা মফমদু থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা নৌহৌননা আপিল তৌখি।

ঐখোয়না হৌজিক বহামাসকী পুৱারীদা অমুক্তা উখিদ্রিবা হরিকেন অমা মায়োক্লরি। পুংদা কিলোমিটর ৩২০ দগী হেন্না য়াংবা নুংশিৎশিং শীৎচিল্লক্কদৌরি। অদুবু ঐখোয়গী য়ুমশিং য়ামদ্রবদা পুংদা মাইল ১৫০ ফাওবগী নুংশিৎকী খোঙজেন মায়োক্লবা ঙম্নবগী মওংদা শাখিবা ওইবনা হেন্না শাফু কনবা নুংশিৎ অসি লাকপদা মীয়াম্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্তবা য়াদবগী ফিভম অসি লাকপনি হায়খি।

# ব্রেক্সিট রেবেলশিং পার্টিদগী তান্থোক্কনি হায়না জোন্সন্না কিহনখ্রে



লন্দন, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি) :
বৃটেন্না দিল অমা য়াওদনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপা থিংনবগী থৌরাং শৌগৎতুনা ভোট পীদুনা মহাক্কী ব্রেক্সিটকী থৌরাংশিং অরেম্বা তাহনগদৌরিবা রেবেল লোমেকরশিং মহাক্কী কঞ্জাভেটিভ পার্টিদগী তান্থোক্কনি হায়না বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না কিহনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন্না ওক্তোবর ৩১ দা দিভোর্স এগ্রীমেন্ট অমা য়াওরবসু নৎত্রগনা অসিগুম্বা এগ্রীমেন্ট অমা য়াওদ্রবসু ঈ য়ু শোয়দনা থাদোক্লবা ৱারেপ লৌখিবা অসিনা য়ুনাইটেদ কিংদম্বু কন্সটিট্যুস্নেল ক্রাইসিস অমা থোক্লকপা য়াবগী মায়কৈদা চঙশিলহনখিবগা লোয়ননা ব্লোক অদুগী অতৈ মেম্বর ২৭কসু মুক্নরকপা য়াবগী ফিভম অমসু লাকহনখি।

কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী রেবেলশিংনা ওপোজিসন পার্টিশিংগা শরৌ শীন্নদুনা পার্লিয়ামেন্ট কন্ট্রোল তৌনবা অমসুং বৃটেনবু এগজিট দিল অমা য়াওদনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপা ঙমহন্দনবগী লেজিসলেসন অমা পাস তৌদুনা গভর্নমেন্টকী মখুৎ পুনশিন্নবা হোৎনরকখিবনি।

কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী রেবেলশিং অসিগা লোয়ননা ওপোজিসন পার্টিশিংনা হায়রিবদি এগজিটকী এগ্রীমেন্ট অমা য়াওদনা বৃটেন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপা তারবদি লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংদা অকায়বা কয়া লাক্কনি হায়বসিনি।

সম্মর ব্রেক্কী মতম লোইদুনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হৌগদবা শুপ্পগী পুং ২৪ রোমখক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা জেন্সনগী এনফোর্সরশিংনা রেবেলশিংদা করিগুম্বা মখোয়না গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ভোট পীবা তারবদি মখোয়না পার্লিয়ামেন্টবু লেবর পার্টিগী লুচিংবা জেরেমি কোবিনদা শীন্নথোকপগা চপ মান্নগনি হায়না চেকশিনৱা হায়খি।

# ‘পাকিষ্টানগী গ্রাম ১২৫-২৫০গী ন্যুক্লিয়র বোমশিং লৈ’



ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ০২ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াদা লৈবা টার্গেটশিংনা অমাঙ-অতা থোকহনবা ঙম্বা ইস্লামাবাদকী টেক্তিকেল ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং লৈ হায়না পাকিষ্টানগী রেলৱে মিনিষ্টর সৈইখ রসিদ অহমদনা ক্লেম তৌখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা ননকানা সহিবতা পায়খৎলিবা রেলৱে ষ্টেসনগী শাবা লোইদ্রিবা বিল্ডিংগী ফিভম য়েংশিল্লবা মতুংদা পাউমীশিংগা ৱা ঙাঙলদুনা পাকিষ্টানগী রেলৱে মিনিষ্টর অসিনা ইন্দিয়াগী নরেন্দ্র মোদি গভর্নমেন্টতা অকন-অরিং শীংদুনা অরানবা থৌওং অমত্তা চত্থরক্তনবসু ৱার্নিং তৌখি।

পাকিষ্টানি পাউচে দ ন্যুজনা মিনিষ্টর অসিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, পাকিষ্টানগী ইন্দিয়াদা লৈবা টার্গেট এরিয়া অমদা হিট তৌদুনা মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা গ্রাম ১২৫-২৫০গী এটোম বোমশিং (টেক্তিকেল ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং) লৈ । মহাক্না ৱাফম অসি ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ য়াওনা ইন্দিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম খরগী পাউখুম ওইননি হায়না থাজনরি।

ইন্দিয়ন ওফিসলশিং অদুনা সব-কন্টিনেন্ট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা অহোংবা ফিভম অসি য়েংদুনা ‘ন্যুক্লিয়র খুৎলায় হান্না শীজিন্নদবা’ হায়বা ইন্দিয়াগী ন্যুক্লিয়র পোলিসি অসি ন্যু দিল্লিনা রেভিয়ু তৌবগী প্রোসেস চথুরি হায়খিবনি। হৌখিবা চয়োলদা কাশ্মিরগী মতাংদা মোদিবু কন্না চৈ থাংলিঙৈদা মাইকতগী ইলেক্ট্রিক সোক ফংখ্রবা অহমদনা ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টগী পোলিসিশিংবু অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মতমগী ফৎত্রবা অদোল্ফ হিটলর অমসুং বেনিতো মুসোলিনিগী ফেসিষ্ট রেজিমশিংগা মান্নৈ হায়খি।

মোদিগী ৱাখল্লোনশিং জৱারহলাল নেহরু অমসুং মহত্মা গান্ধিগী ৱাখল্লোনশিংগা তাইওন্নৈ হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হৌখিবা ওগষ্ট ৫ দা ইন্দিয়ানা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবা মতুংদা ইন্দিয়াগা পাকিষ্টানগা য়ান্নখিবা বাইলেটরেল এগ্রীমেন্ট পুম্নমক চৎনররোই হায়খি। পনবা য়াবদি, মমাংদা মহাক্না ওক্তোবর অমসুং নবেম্বরদা পাকিষ্টান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা মপুং ফাবা লান অমা শোক্লরগনি হায়না মহাক্না প্রেদিক্সন পীখিবনি।